# ম্যান্মারদা মীতৈলোলগী ফীভম

## পি সী খুমন

**ম্যান্মার**দা হৌজিক মীতৈ (মীতৈ বামোন) খুন্দারিবা মফম অসি য়াঙ্গোন্দা (য়ূম মঙামুক) লৈরি। মন্দলেদা লৈকায়শিং : বামোন খুন, নিংথেম খুন, Minde Ekin, Paelaw chaung, খা ক্ষেত্রি (য়ূম অমা), অৱাং ক্ষেত্রি (য়ূম অমা), অমরাপুরাদা লৈবা লৈকায় : টাদলে, লেট্টামা, শিঙ্গা অসিনি। Sagaing Division দা লৈরিবা খুন/লৈকায় : Sagaing town, Ten-Sin-khaung (নিংথি খুল, নিংথি তুরেল তোর্ব্বান্দা তাবা), কেন্টা (নিংথি তুরেল মপান), নম্ফালোং (টমু)। নিংথি তুরেল (চিন্দৱীন রিভর) গী তোর্ব্বান্দা খুন্দারিবা টৈনসিনখোং অসিদি মীপূম খুদিংমক মীতৈলোল ঙাঙবা ঙম্লি। মখোয়গী অঙাংশিংনা মপান্দা অমসুং স্কুলদা অৱা লোল ঙাঙলুরবসু ময়ূমদদি অহলশিংনা মীতৈলোল ঙাঙহল্লি। নম্ফালোং অমসুং টমুগী মরক্তা খুন্দারিবা মীতৈ খরা অসিদি তোইনা মণিপুরী মীতৈলোল লোনবশিংগা উনবনিনা মীতৈলোল লোইনা খঙলি। টৈনসিনখোংগী মীতৈশিং অয়াম্বনা ললোল-ঈতিক্কা মরী লৈনবা থবক্তা তোয়না নম্ফালোং মোরে য়ৌরকপনা মরম ওইদুনা মীতৈলোল ঙাঙবগী খুদোংচাবা হেন্না ফংই। মথংদা Sagaing গী পোন্না সুগী মীওইশিং অঙাং য়াওনা খরা খরা ঙাঙবা ঙম্লি, অদুবু চহী খরা নৌরিবশিংদি ৱারী মপূং ফানা শানবা ঙমদ্রে। Sagaing গী ইমুং অমদা চহী ৬মুক শুরবা অঙাং অমা ইমুং মনুংগী মীনা মীতৈলোল খক্তা ঙাঙহলহৌই অদুবু ইমুং অসিগী অহলশিং অসিসু মীতৈলোল শুনা খঙদ্রে। অমরাপুরাগী লৈতমা হায়রিবা খুল অসিদা মীতৈলোলদা পাউ ফাওনবা য়াবা মওংদা ৱারী শানবা য়াবা মীওই অমত্তা লৈত্রে হায়বা য়ারে। নিংথি তুরেল মপান্দা খুন্দারিবা কেন্টাট হায়রিবা খুল অসি য়ূমকোক অহুম মীশিং ১৬ মুক লৈরি, খুল অসিগী অহল ওইরবা নুপা অমগা নুপী অমগা মীওই অনীখক মীতৈলোল ঙাঙবা ঙম্লি, মখোয়গী শাগৈ অমত্তা খঙদ্রে, গোত্র (য়েক) দি খঙলি। কনাগুম্বা ম্যান্মারদা য়ৌবিরুবশিংনা ইবিরকপদা মন্দলে কোনুং (থায়নগী নিংথৌ কোনুং) গী মমাঙদা খুন্দারিবা নানসে (নান দাও সে) অসি মীতৈ খুঙ্গং ওইনা ইবিরকপসু থেংনজে। মীতৈ খুঙ্গং ওইরম্মী হায়বদি চুম্মী অদুবু খুল অসিদি অৱা ওনবা পুংলোই লোইখ্রবা খুলনি, অৱাগা চারৌ-মৌরৌনদুনা তপ্না তপ্না অৱা ওনখিবনি। খুল অসিদা মন্দলেগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা মুগাগী ফিগী পোথোক পুথোক্লিবা ইমুং অদু মীতৈ ঈ মরী ওইবা ইমুংনি।

হৌজিক মীতৈলোল ঙাঙলিবা অসি তাঙ্কক মরি থোক্না খাইদোক্লগা য়েংসি। অহানবা তাঙ্কক্তা চহী ৫০দগী মথক্কী মীরোলশিং অসি মীতৈলোলদা ৱারী শানবা, পাউ ফাওনবা অদুম য়ারি অদুবু মীপূম খুদিংমক্তি নত্তে, মসিদসু পিক্লিঙৈদগী মপান্দা থবক-ইনখাং তৌদুনা লৈরকখিবা খরদি মীতৈলোল ঙাঙবা ঙমদবা য়াওরি। অসিগুম্বা মীওইশিং অসিগী ইমুংশিং অদুদি মশানা মীতৈলোল ঙাঙবা ঙমদ্রে। চহী ৫০গী মখা ৪০ ফাওবগী মীরোলশিং অসিনা কাবক-কাবক ঙাঙবা ঙম্মী, মপূং ফানা ৱারী-ৱাতাই শাবদি ঙমদ্রে। চহী ৪০দগী ৩০ ফাওবগী চাং অসিদনা মীনা ঙাঙবা খরা-খরা তাবা ঙম্লি (খঙবা ঙমলি), ঙাঙবদি ঙমদ্রে। চহী ৩০দগী মখাগী মীরোলশিং অসিনা পাউ ফাওনবা য়ানা ঙাঙবা ঙমদ্রে হায়না লৌবা য়াই। মীতৈলোলগী ফীভম অসি করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু মথক্কী ৱাফমশিং অসি নৈনরগা য়েংবা য়াই। ম্যান্মারদা মীতৈ অহলশিংনা পুন্সিবা অসি চহী ৮০গী চাং অসিফাও পুন্সিবা ফনয়াম য়াওই। নিংথেম পুরিট খুন্দা মশাগী চহী ১০২শুরবী কলাবতি কৌবী হনুবী অমা হিংদুনা লৈরম্মী। চাংচৎতা পুন্সিবগী চাংসি চহী ৮০ ফাও লৌরসি। হৌজিক চহী ৫০শুরবা মীরোল অসিনা পুন্সিবগী চাং অসি চহী ৮০ ফাও লৌরগদি মখোয়গী পুন্সি চহী ৩০ ৱাংলি। চহী ৩০গী মতুংদদি মীতৈলোল ফজনা ঙাঙবা মী লৈররোই। চহী ৪০শুরবশিং অসিনা চহী ৮০শুগদবা চহী ৪০ ৱাংলি, মখোয়গী লোঙ্গা অসিনা লোইখিবদা চহী ৪০গী মতুংদা মীতৈলোল কাবক-কাবক ঙাঙবা মীফাওবা লৈরক্লরোই। চহী ৪০গী মখাগী মীরোলশিং অসিদি তাবা খরা খরা ঙম্লবসু ঙাঙথোক্তবনিনা মখোয়গী মখাগী মীরোলদদি মীতৈলোল তাবা ঙম্বা মীসু লৈরক্লরোই। চহী ৪০গী মতুংদদি ম্যান্মার লৈবাক্তা মীতৈলোল অসি অয়াম্বা মুৎখিবা য়ানা লৈরে। মীতৈশিংগী য়ূম অয়াম্বা ইমুং মনুংদা অৱালোলনা ৱারী শানৈ। শাগৈ খঙনদ্রবা গোত্রদি খঙলিবা ইমুং কয়া অমসু লৈরি।

**মীতৈলোল অসি মতৌ করম্না মুখরকখি ?** মন্দলে য়ুনিভর্সিটিগী লেকচরর Lwin Naing (research scholar) না মহাক্কী ‘Kate settlement in Myanmar, culture and its believe’ হায়বা থেসিস লাইরিক্তা “Among all Brahman only Rakhine Brahman has own literature and Myanmar kathe and mannipur Brahman have no own literature. For kathe, all their literature written in Bengloli and unable to read, most of the kathes and their customs and culture are nearly extinct,” হায়দুনা ইরি। মসি চুম্মী হায়বা য়াই, মরমদি মন্দলে Sagaing রোমদা লৈরিবা মীতৈশিং অসি মখোয়গী লৈজরিবা লাইনীং-লাইশোলগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং বেঙ্গোলি ময়েক্তা ইবনি। মখোয়না লাইশোন-তিনশোন শোল্লিবশিং সংস্কৃটনা শোনবনি। মখোয়না লাইনীংগা মরী লৈনবা ঈশৈ-নোংমাইনচিংবা শক্লিবশিং বেঙ্গোলি লোন্না শকপনি। ঐখোয়দি অচৌবা ফুরুপনি হায়দুনা চাউথোক্তুনা লৈরল্লিবা ঐখোয় অসি ইশাগী ইয়েক-ইরোলদা ইবা খোরিরোল (লিটরেচর) লৈজদে হায়না ইরকপা অসি ইকায়নীংঙাইনি। ময়েক, লাইশোন, ঈশৈনচিংবশিং অসি মীতৈগা মরী অমত্তা লৈনদবা, Rakhine Ponna (Arkan/Rakhine Brahaman) শিংদি মখোয়গী মরোল-ময়েক ওইবনিনা Rakhine দগী পুবা ওইনা লৌই। ম্যান্মারদা খুন্দারিবা মীশিং লিকখ্রবা মীতৈ ফুরুপ অসিদি লায়রদনা খ্বাইদগী অচৌবা ষ্টেট ওইরিবা শান ষ্টেট অসিগী শান কয়া অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদা খুন্দারি, মখোয় কয়া অমসু মশাগী মরোল কাউখিদুনা অৱা লোলতমক ঙাঙবা কয়া লৈরি। শান খক্তা নত্তে অতোপ্পা ফুরুপ কয়া অমসু মশাগী লোল খঙদবা অৱালোলনা মমালোল ওইরবা কয়া লৈরি। ম্যান্মার লৈবাক অসি বর্ম্মা (বর্মিজ ঙাঙলিবা বর্মানশিং) না মশীং য়াম্বা অমদি বর্মাশিং অসিনা লৈঙাক্লিবা লমদম অমা ওইরি। ম্যান্মারগী স্কুলশিংদা বর্মা লোল খক্তমক লৈঙাক্না তমহন্দুনা লাকখি। ম্যান্মার লৈঙাক্না ম্যান্মার লোল নত্তবা অতোপ্পা লোল অমত্তা চাওখৎনবা হোৎনরক্তে। বর্মানাইজেসনগী থবকসি অয়ৌবী থাক্তা চৎহন্দুনা লাকখি। মখোয়গী মথক্তা কনাগুম্বা অমত্তনা ৱা ভাঙবা ঙম্লুবগী রাইট পীরক্তে। লাম্মীনা চহী ৫০ পান্দুনা লাকখিবা লৈবাক অসিদা অচৌবা ফম অমদি মরুওইবা কয়াৎশিংদা বর্মাখক্তনা থবক পায়দুনা লাকখি। অদুবু হৌজিক্তি মীয়াম-লৈঙাক লাকপদগী অতোপ্পা কাঙলূপ/ইথনিকশিং মশা-মশাগী মরোল মনাৎশিং চাওখৎনবা ঈহৌ চঙশিন্নরক্লি। মখোয়শিং অসি মশা-মশাগী মরোলনা মমিং অয়াম্বনা থোন্নরকই, বর্মা মমিং থোনদে। মীশিং লিকপা মীতৈশিংনা য়ূমদগী হেক মপান থোকখিবগা মীতৈলোলগী চন্নফম লৈতে। অদুগা মীতৈশিংদি অপিকপা ফুরুপ ওইবতা নত্তনা লানফা ওইনসু লাকখিবনিনা য়াম্না তোন্না হিংলকপা পুন্সি হায়বদু থোকই। মরম অসিনা মীতৈশিংনা বর্মাশিংগা মুক্নবা ঙম্বগী পাঙ্গল অমত্তা লৈরক্তে। ম্যান্মারদা তারিবা অচৌবা ফুরুপশিং কাচিন, কারেন, শান, মোন, চিননচিংবশিংদি বর্মা/ম্যান্মারশিংগা শিংনদুনা লাকখি, লানশিংনরকখি, হৌজিকসু মফম কয়াদা লান শোক্লরি।

কুমজা ১৯৩৭তা হিজম ইরাবতনা মন্দলে (বৃটিশকী মখাদা লৈরিঙৈ) য়ৌরমদুনা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী ৩শুবা সেসন পাঙথোকখি। সেসন অদুদা ম্যান্মারদা তারিবা মীতৈশিং অসি পূনশিন্নবা হোৎনরম্বা অমদি মতম অদুদগী মুখবা হৌরক্লবা লোল অসিবু ম্যান্মারগী মহৈশঙ (স্কুল) দা তমহন্নবা তকশিনবা হায়বা ৱাফম ফাওদি ৱারেপ লৌরম্মী। অদুবু মসিসু হিজম ইরাবতনা অন্দরগ্রাউন্দ তাদুনা চঙখিবদগীদি থবক ওইনা চঙশিনবা ঙমখিদে। হিন্দুগী কাঙলূপ-ফুরুপ (রেসিজম) খাইবগী চৎনবীনা মীমাঙ থোক্না হুন্নরুবদগী হৌজিক খ্বাইদগী চাউবা মীতৈ খুল অমা ওইরিবা মন্দলেগী Minde Ekin অসিগী মীওইশিং হিজম ইরাবতকী মন্দলে সেসনদা য়াওখিদে। হৌজিকফাওবা ঐনা অৱাংবা ফুরুপনি ব্রাহ্মননি, মখোয়না অতোনবা (সুদ্রা) কাঙলূপনি হায়বগী অখুবা মীৎয়েং অসি কোকপা ঙমদ্রি। মসিগুম্বা অপিকপা ৱাখলগী চৎনবী অসিনা পূন্না ফুরুপকী চৎনবী ঙাক্না হিংমিন্নবদা অকায়বা অমা ওইহন্দবা নত্তে। মতম অদুদগী মীতৈলোলদা বর্মা লোলগী চঙলক্লিবা অকনবা ইথিল অসি হিজম ইরাবতনসু উরম্লবনি। লোলগী ইথিল অসিদি মণিপুরদা ফাওবা চীংলোন মাপন লান্না লাকখিবা বেঙ্গোলি লোলগী অকনবা ইথিল অমা চঙলকখিবা অদুনি। হৌজিকফাওদা মীতৈ লৈবাক্কী শেংলবা মীতৈশিংনা মীতৈলোল শেংনা ঙাঙবা ঙম্নদ্রিবনি। ত্রিপুরাদা অইবশিংগী অপূনবা অমদা মণিপুরগী মীতৈ অইবা অমনা ত্রিপুরাগী অইবশিংনা ইরক্লিবা অসি মাথাবু সাইদা হায়রুবদা বাংলাদেশকী মীতৈ অইবা অমনা মণিপুরগী অইবশিংনা ইরক্লিবা অসিদি ঐখোয়দি ‘কোকপু সাই’ হায়রকখি হায়বা ৱারী লৈখি। মণিপুরদফাওবা অদুঙৈ বেঙ্গোলি লোলগী অকনবা ইথিল চঙলম্বা অদুমক্তি লেপখ্রে, অমরোমদা হৌজিক্কী মতম অসিদা ইংলিসকী কল্লবা ইথিলনা মীতৈলোল কয়া মাঙহল্লক্লবা মরম অমা ওইরক্লি। ম্যান্মারগী মীতৈশিংদি য়ামখ্রবা ম্যান্মারশিংগী মরক্তা খুন্দাবনি, মখোয়গী মরক্তা য়েপ্লগা হিংলিবনি। বর্মানাইজেসনগী অকনবা শাহুম কয়া অসিদগী মীতৈলোল মাঙথখিবা অসি ওইদবা য়াদ্রবা অমা ওইরকই। মীতৈশিং হিন্দু লাইনীং চৎপা ঙাক্তা ওইবনিনা লাইশোন-তিনশোনসু সংস্কৃট লোন্দা ঙাক্তা তৌই, লাইনীং-লিচৎকী ওইবা থৌরমশিংদা শক্লিবা ঈশৈ অসি বেঙ্গোলি ঙাক্তনি। চিনফা পুরগা শক্লিবনি, ৱাহন্থোক খঙবা মী মশীং য়াম্না তাঙনা লৈরি। মরোলসু খঙদবা চিনফা পুবদসু ৱারবা অসিদা মথং মথং শমথরকপা মীরোলনা পাম্নরক্তবা অমসু ওইরকই। লাইনীং-লাইশোনগী থবক্তি ফনা ফজনা পাঙথোক্লরি, মসিদা শক্লিবা ঈশৈ অসিনা মীতৈলোল ওইরম্লবদি, মীতৈলোল খঙবগী চাং অসি ফনয়াম ৱাঙলমখিবা য়াই। শক্লিবা বেঙ্গোলি ঈশৈশিং অসি ৱাহন্থোক খঙদ্রবসু মী ফনয়াম চিনফা পুনরিবনি। হৌরক্লিবা অঙাংশিংদদি মখোয়না ময়ূমদফাও মমা-মপাগা লৈমিন্নদুনা ৱারী শানবগী মতম লৈশিল্লক্ত্রে। নোং হেক ঙানবগা স্কুল চৎখিগনি, স্কুল হল্লকপগসু ট্যুসন্নচিংবা অমুক চৎনখিনি। য়ূমদসু মীতৈলোল ঙাঙনদ্রবা অঙাংশিং অসি মপান হেক থোকখিবদগী অৱালোল ঙাক্তনি মখোয়না ঙাঙলুগদবসি।

**মীতৈলোল কনবা য়াবগী পাম্বৈশিং :-** ম্যান্মারগী মীতৈশিং মপান থোকপা য়াম্না ৱাৎলি। হৌজিক লৈরিবা মীতৈ বামোন ঙাক্তনি হায়দুনা লৈরিবশিং অসি বামোন মশেল শাগৈ মান্নদ্রবদি খূৎ চানদে। বাংলাদেশকী মীতৈশিংনা মণিপুরদা চৎনরিবা অসিগুম্না ম্যান্মারগী মীতৈশিংনা মণিপুরদা চৎনবগী হোৎনবা কয়া লৈতে। মণিপুরদা চৎপসি য়াম্না লুনা কিনা খল্লি। মণিপুরগী মীসু ম্যান্মারদা চৎপগী চাং য়াম্না ৱাৎলি। ম্যান্মারগী মীতৈশিংগা মণিপুরগা নকশিনহন্নবা শিনবা মথৌ তাই। মতম খরগী মমাঙদদি লৈকায় লৈকায়দা কালেনগী স্কুল মহৈ তম্বা লেপ্পা মতম অমদি চহী লোইবগী মহৈ তম্বা লেপ্পা মতম অসি মীতৈলোল তম্বগী থবক চথনরম্মী, অদুবু হৌজিক্তি স্কুলদা চাঙ-দানরকপা (কম্পিটিসন) অসিনা মরম ওইদুনা মতম অসিদা লন্নাই ট্যুসনলোমদা মায় ওনশিন্নরকপা অসিনা মীতৈলোল তম্বগী মতম ফংনরক্তে। হান্না তৌনরম্বা মওং অসি হৌজিকসু চথহন্নবা হোৎনবা য়াই। ম্যান্মারদা মীতৈলোল অসিবু হিংনবা হোৎনরক্লিবা মীওইশিংদা লৈখিদ্রবা বামোন খুলগী অগ্যা Sunder Gopal Minde Ekin গী উ থুন উঙ (নাওতম য়াইমা) পনবা য়াই। উ থুন উঙনা মীতৈলোলগী ৱাহৈ কয়া খোমজিল্লগা বর্মা লোলদা হন্দোক্তুনা লাইরিক ফোঙলগা মীতৈশিংদা য়েন্থোক্তুনা হোৎনরম্মী। অগ্যা সুন্দরনা বেঙ্গোলিগী মহুত্তা মীতৈলোলনা ঈশৈ শক্নবা হোৎনদুনা লাকখি। অদুবু মহাক্কী অহল্লোনশিংনা ইপা-ইপূ হাক্তক্তগী (পরম-পরাদগী) চৎথরকপা অদু হোংদোকপা য়াদে হায়দুনা অপিকপা ৱাখলদা থিংই। মণিপুরগী ফিল্ম, ফিল্ম-ঈশৈ, এলবম-ঈশৈ, দোক্যুমেন্টরিশিং লেপতনা অমদি মরাং কায়না ফংহনবা য়াম্না কান্নগনি। লোল খঙদ্রবশিংনা মতমগী ঈশৈবু হেন্না পাম্মী। ঈশৈ তোইনা তারগদি মরোল অদুসু ফারকই, মসিনা লোল চিনফা পুনবা মরম অমা ওইহল্লি অমদি মদুগী ৱাহন্থোক অখঙবা অহল্লোলশিংদা হংদুনা খঙনবা হোৎনরকই। অদুবু লুরিবদি মীতৈলোলগী ফিল্মনচিংবা অসি ফংনবা লম্বীসু ফজনা লৈত্রি। খুন-খুনশিংদগী মরুওইবা মী খরা মণিপুরদা তোয়না লাক্নবা শিনবা কান্নগনি। মণিপুরদা লোল অমদি আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা মখোয়বুসু শরুক য়াহনবা কান্নগনি। বাংলাদেশতা অপিকপা মীতৈ ফুরুপনা করম্না মীতৈ ওইনা হিংবা ঙম্লিবনো য়েংহনবা কান্নগনি। মণিপুরদা লাইরিক তমহনবা, আর্ট এন্দ কলচরনচিংবা হীরমশিং তমহনবনা লোন অমদি নাট চৎনবী মমুৎ তানা খঙবগী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙমগনি। ম্যান্মারদা খুন্দারিবা মীতৈশিং মরুওইনা নহারোলশিং হিংনবগী থৌদাংদা থৌ চিনবা ওইখিবনা নাট লোল খোরিরোলনচিংবা হিংননবা হোৎনবা মী ইরৈ লৈত্রি। মখোয়শিং অসিবু কনসি হায়রবদি কংলৈচাশিংনা হোৎনবীবা য়াম্না মথৌ তাই। মুখরক্লিবা লোল অসিবু কলহৌদবদা ম্যান্মারদা মীতৈশিং লৈরম্মী হায়বগী পুৱারী নত্তনা মীতৈশিং উবা ফংলক্তবা য়াই। মীতৈদি মুৎখ্রবা মীতৈ তারম্বা খুনপাক কয়া ম্যান্মারদা লৈরি। মফম খরদদি খুনপাক্তুমা মীতৈশিংদগী অৱা ওল্লকপনি হায়বা খঙনরি, লাইহরাউবগী থৌরম তৌরি। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা উমংলাই খুভম কয়ানা ঐগী ইশাইগোন্দা কংলৈ ফুরুপচা কয়া খুন্দারম্মী হায়বগী তুরোই ঙারোই লেপ্লিবা লাইশঙ কয়ানা পুৱারীগী লিক্লম তাক্লি। লৈহৌরি অৱাশিংগী খুল্লক অদুদা ‘লৈশাংখোং, লৈশাংথেম’ লৈকায়নচিংবা।


মমি ৱারী

# ‘পেজেস ফ্রোম মাই দাইরি’

## মণিপুর

### রোহিট শাহ













*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*